# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 11-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা মণিপুরদা শান্তি হৃঞ্জিনহন্নবা পায়খৎকদবা থৌরাংশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে।

২) ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা করফিউ কোমথোক্লি।

অমসুং

৩) নুপীশিংনা মকোক ওইবা এম.এস.ই ওন্তরপ্রেন্যুরস লাখ অনি হেনবনা জেম ৱিমেনিয়া ইনিসিয়েতিভতা রেজিষ্টর তৌরকখ্রে।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা মহাক্কী সেক্রেতরিয়েটতা ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফমদা মণিপুরদা শান্তি হৃঞ্জিনহন্নবা পায়খৎকদবা থৌরাংশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- সরকার অসিনা রাজ্য অসিদা মীপুম খুদিংমক তংদু লৈতানা অমসুং অশোই অঙাম থোকহন্দনা, তুং কোইনা ইংনা চিকা লৈমিন্নবা য়ানবা অমদি হেন্না চাওখৎহন্নবা খোঙফম চেৎনা লেপ্লি।

মীফম অদুদা রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম অমদি এম.এল.এশিং শরুক য়াখি।

উখ্রুল জিলাগী মোংকোট চেপুদা ঙরাং মাইকৈ খঙদনা লাকপা নোংমৈ মরুনা পানবদগী বি.এস.এফকী কন্সটেবল মিথুন মন্দলনা লৈখিদবগী থৌদোক অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা নুংঙাইতবা ফোংদোক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- জৱান অদু ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তাবা অদুৱাইদা ইম্ফালগী রিমসতা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি। মহাকা হায়- জৱান অসিনা কৎথোকপগা লোয়ননা মথৌ পাঙথোকখিবগী থৌওং অদুবু মতম চুপ্পদা ইকায় খুমবা অমদি তৌবীমল খঙবগা লোয়ননা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি। লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারদুনা রাজ্য সরকারনা মখোয়গীদমক লেপ্লি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুন্নবগী থবক চখবদা চুরাচান্দপুর জিলাগী টি. বঙ্গলা এম.ভি.সি.পি এরিয়াদগী মীওই অনি খুৎলায়গা কোন্ননা ফাগৎলে। মখোয়দগী শেমদোক্লবা করবাইন অমা, নাইন এম.এমগী পিষ্টোল অমা, পোপ্পি মরু বেগ ৩৬, দি.আই ভেহিকল অনি ফংখি।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমদা হায়- হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা সেনাপতি পুলিস, সি.আর.পি.এফ অমসুং ১৬ শুবা অসাম রাইফলসনা সেনাপতি জিলাগী টি. খুল্লেনদা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা মীওই অনি দব্লিউ.ৱাই টেব্লেৎ কিলোগ্রাম ১ গ্রাম ২২০ ফারে।

উখ্রুল জিলাগী থৌদোক্তা বি.এস.এফকী জৱান অমা লৈখিদবা অদুদসু মণিপুর পুলিসনা অৱাবা ফোংদোক্লি। জৱান অদু হাৎপদা চেন্নবশিং ফানবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুন্নবগী থবক চখরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

কার্ফিউ (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা করফিউ কোমথোক্লি।

নরসিংহ (এল)ঃ মহারাজ নরসিংহনা লৈখিদবগী ১৭৬ শুবা কুমওন থৌরম রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী মণিপুর ষ্টেট আর্কিওলোজিনা শিন্দুনা ইম্ফালগী কংলাদা হৌজিক অয়ুক পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা মীয়ামা মহারাজ নরসিংহগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎপগা লোয়ননা তর্পনসু কৎকনি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ অমসুং আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি কে.ঐচ. লোকেন সিংহ শরুক য়াগনি।

ডে (এল)ঃ ঙসি অসি ৱার্ল্ড পার্কিনসন্স ডেনি। পার্কিনসন্স লায়না অসি মরুওইনা অহল ওইশিল্লকপা মতমদা মখোঙ মখুৎ নিকপা, নিউরো দিজেনেরেতিভ দিসওর্দর অমনি।

সম্মিৎ (এল)ঃ নিউ দিল্লিগী মহারাষ্ট্র ইনফোর্মেসন সেন্তরদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা রেসিদেন্সিয়েল সম্মিৎ অমা ঙরাং লোইশিনখ্রে। নেসনেল পাব্লিক রিলেসন্স সম্মিৎ অদুদা লৈবাক শিনবা থুংবদগী সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং অমসুং কম্যুনিকেসন প্রোফেসনেল কয়ানা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা রাজ্যগী দি.আই.পি.আর বিভাগকী এ.পি.ও (প্রেস) নিংথৌজম রোসন সিংহসু শরুক য়াখি।

জেম ঃ নুপীশিংনা মকোক ওইবা মাইক্রো অমসুং স্মোল ইন্তরপ্রাইজেস ওন্তরপ্রেন্যুরস লাখ অনি হেনবনা গভর্নমেন্ট ই-মার্কেট প্লেস (জেম) ৱিমেনিয়া ইনিসিয়েতিভতা রেজিষ্টর তৌদুনা শেনবা চহি ২০২৫-২৬ তা রেজিষ্টর তৌরকপা অপুনবা মশিং লাখ ১৩ লিশিং ৭০ য়ৌখ্রে। সরকারগী ওইবা কৈথেলশিংদা চংলকপদা নুপীশিংনা মায়োকরিবা খুদোংচাদবা কয়া অদু কোকহন্নবগী পান্দমদা ৱিমেনিয়া ইনিসিয়েতিভ অসি ২০১৯ দা হৌদোকখিবনি। জেম অসি কেন্দ্র অমসুং রাজ্যগী মন্ত্রালয়শিং, বিভাগশিং, ওর্গনাইজেসনশিং, পাব্লিক সেক্তর অন্দরটেকিংশিং, পঞ্চায়ট অমসুং কোওপরেতিভশিংনা পোৎ চৈ অমদি সার্ভিসশিং লৈবদা খুদোংচাহন্নবা হৌদোকপা ওনলাইন প্লেটফোর্ম অমনি ।

মান্দভিয়া ঃ কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মান্দভিয়ানা হায়রি- ২০৩০ গী কম্মনৱেলথ গেমস অসি শান্নরোইশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং চংবা মালেমগী থাক্কী ওইহনগনি।

কম্মনৱেলথ স্পোর্টকী প্রসিদেন্ট ডাঃ দোনাল্ড রুকারেগা উন্নদুনা পাঙথোকখিবা অৱাংবা থাক্কী মীফমদা ডাঃ মান্দভিয়ানা হায়- গেমস অসি নিংথিনা পাঙথোকবগীদমক অমগা অমগা মপুং ফানা মতেং পীনদুনা শেম শাবগী মতাংদা কুপা খন্নরে। মীফম অদুদা ভারতনা কম্মনৱেলথ গেমস ২০৩০ গী পান দমদি শান্নরোইশিংদা মপুংওইনা মীৎয়েং চংবনি হায়নসু ফোংদোকখি।

পুরি ঃ কেন্দ্রগী পেট্রোল্লিয়ম মন্ত্রি হরদিপ সিংহ পুরিনা হায়রি- কটারনা ভারত্তা অয়েৎ অপন য়াওদনা পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস পীগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা পীরে।

ৱাফম অসি মন্ত্রিনা কটারগী ইনর্জি এফ্যারসকী রাজ্য মন্ত্রি, কটার ইনর্জিগী প্রসিদেন্ট অমসুং সি.ই.ও- সাথ সেরিদা অল কাবিগা উন্নরবা মতুংদা ফোংদোকখিবনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দ কাংপোকপী ফাওরগা সেনাপতি মহাক ওকপগী থৌরম শরুক য়ারুরে হায়বা পাউনা পোকফমগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ইরাংনা লানবা ঙম্লুদ্রবা কাংপোকপী সি.এম. খেমচান্দনা ফাওরগা সেনাপতি য়ৌরুরে প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গারমলে, খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক চাওখৎমিন্নরবা মতমদা মণিপুর চাউখৎকদবনি হায়না খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা সনালৈবাক পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেসগী ইদিসন অনিমক, মণিপুর মেল অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

চীফ মিনিষ্টরগী সেনাপতি খোঙচৎ মাংওইননা কুকি মিলিটেন্টনি চিংনবশিংনা এম.আরগী পোষ্ট অমা খুদুম চন্নবা হোৎনরকপদা খুৎ থোকখ্রে হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

উখ্রুলদা লিতান এরিয়াদা অকনবা মওংদা কাপখ্রে, আর.ও.পি তৌদুনা লৈবা বি.এস.এফ পাসর্নেল অমা পানদুনা শিরে হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

উখ্রুল জিলাদা বি.এস.এফ অমা অমা লৈখিদবগী পাউ মণিপুর মেলদসু অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

চীফ মিনিষ্টরনা কুকি এম.এল.এ- হাওখোলেত কিপগেনগা হেনবুংদা উন্নখ্রে হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ভারত লান্মীগী জি.ও.সিনা তাঙ্খুল অমদি কুকি খুলগী মকোকশিংগা উন্নখ্রে হায়বা পাউ অমা দ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ত্রোংলাউবীদা ষ্টেট ফোর্স থন্বগী মতাংদা হোম মিনিষ্টর গোবিনদাস কোন্থৌজমনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা ত্রোংলাউবগী থৌদোক্তা পিক্লিবা অঙাং অনি লৈখিদবা অদুবু জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন অসাম মণিপুর নাগালেন্দনা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা- ৱার্ল্ড হোমিওপেথি ডেগী থৌরম খৃষ্টান হেরিতেজ ইন্সটিট্যুটতা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------